
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)








Vol. 51, Issue No. 82 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং - ৩৪২৪ | নিংথৌকাবা, ইঙাগী থাশু | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, June 15, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# মিনিষ্টর-এম এল এসু মরাল লৈবশিংদি লোগী চৈরাক ফংগনি : সী এম মতুপ-মতুপ ককপগী থৌওং খাঙদুনা লৈবা ঙম্লোই : লোসি দিখো

**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১৩দা কুকি খুল ওইরিবা লৈলোন ভাইফেদগী মমিৎ অমসুং মখূৎ পুল্লগা ফাদুনা পুখ্রবা মতুং থা অসিগী ১০গী নুংথিলদা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবা পাষ্টর অনী য়াওনা নাগা মীচম তরুক হাৎখিবগী কেস ইনভেষ্টিগেশন চত্থনবা এন আই এদা শিন্নখ্রে হায়রদুনা মিনিষ্টর ওইরবসু, এম এল এ ওইরবসু মরাল লৈরম্বা খুদিংমক লোগী মতুংইন্না চৈরাক ফংগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা চহী ১২ মপুং ফানা লৈঙাক পায়রকপগী অমদি প্রাইম মিনিষ্টরনা খ্বাইদগী হেন্না শাংনা থৌপুবা ইলেক্তেদ প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপগা মরী লৈননা ঙসি চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটকী দরবার হোলদা



পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাফম অসি পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

পাউমীশিংগী ৱাহংগী মখা তাবা পাউখুমদা মহাক্না হায়, মীয়াম্না পেন্দবদগী লৈঙাক্তা দিমান্দ কয়া তৌরকপা অমদি লৈঙাক্তা তাইনবা হায়বসি মহৌশানি অদুবু ঐখোয় খুদিংমক্কী মথক্তা লো লৈরি। নাগা মীচম তরুক ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# মণিপুরগীনা কমদৌবা : মণিপুরদগী লাঞ্জেল্লকপা লিশীং ৭ য়াওনা রিফ্যুজি লিশীং ৪০ গীদমক মিজোরামদা চেঙ ৱান্নবা লুপা ক্রোর ১০ পীরগনি

**আইজোল, জুন ১৪ (এজেন্সী) :** মে ৩,২০২৩দগী মণিপুরদা হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা তমথীরবা কাঙলূপ মশেলগী লানগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরদুনা য়ুমথংনবা মিজোরামদা লাঞ্জেন্নদুনা ষ্টেট অদুদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা মণিপুরদগী আই দি পি লিশীং ৭ লোম য়াওনা ম্যান্মার অমসুং বাংলাদেশতগী চঙশিল্লকপা রিফ্যুজিশিংগা পূন্না মীওই লিশীং ৪০ রোমগী চেঙ ৱান্নবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা লুপা ক্রোর ১০গী শেনফম পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ওফিশল ওইবা চেরোল অমা থোক্তুনা ঙরাং লাউথোকখিবনি।

য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মিজোরামগীদমক অচৌবা তেংবাঙ অসি পীরগনি হায়দুনা লাউথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর লালদুহোমানা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উন্নদুনা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা হৌজিক মিজোরামদা মায়োক্নরিবা মণিপুরদগী লাঞ্জেল্লকপা আই দি পি অমসুং বাংলাদেশ অমসুং ম্যান্মারদগী চেনশিল্লকপা রিফ্যুজিশিংগী মতাংদা লালদুহোমানা হোম মিনিষ্টরদা মরীক চুন্বা ৱাফম ফোঙদোকখি। পূন্না মীওই লিশীং ৪০ রোম ওইরিবা রিফ্যুজিশিং



অসিগীদমক মীনুংশিগী মখাদা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎলকপদা মিজোরাম লৈঙাক্লা অচৌবা পোৎলূম অমা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# মীহাৎপশিং ফাদ্রিবা ফাওবা হকচাং ৬ লৌরোই : লৈখিদ্রবশিংগী লোয়নবীশিং



**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১৩দা লৈলোন ভাইফে খুলদগী মমিৎ অমসুং মখূৎ পুল্লগা ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা মীহাৎ থীনা হাৎপদা চেন্নবা কুকি টেররিষ্টশিং লৈঙাক্লা ফাদ্রিবা ফাওবা নাগা মীচম ৬কী হকচাংশিং লৌরোই হায়না লৈখিদ্রবশিংগী লোয়নবী অমসুং ইমুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুদগী হৌজিক ফাওবা মখান খুলগী চর্চ অমদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী লৈখিদ্রবা ফেনরোংৰি থিয়ুমাইগী লোয়নবী ৰিখোনলিয়ু থিয়ুমাইনা হায়, ঐখোয়গী ইমুং অসি থবক শুরগা হিংজবনি। লৈঙাক্কী থবক তৌবা য়াওদে। লৈখিদ্রবা ইপুরোইবদু ইচানুপাগী ক্লাস এলেভেনগী মিং চন্নবা চৎখিবনি। য়ূমদা হল্লকপগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# দি জি পিগী অকনবা ৱাফম : সিক্যুরিটিদা এটেক তৌরক্লবদি খূৎ হনগনি, মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিল্লক্ত্রিবা ফাওবা ওপরেশন চত্থগনি : দি জি পি

**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১দগী মণিপুরগী অনৌবা দি জি পিগী থৌ পুরক্লিবা মুখেশ সিংহনা কাংপোকপী, সেনাপতি অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদ ক্বার্টরশিংদা চৎতুনা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী রেঙ্ক এন্দ ফাইলদা লৈবা পুলিস পর্সনেলশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা



লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম রিভিয়ু তৌখ্রবা মতুং ঙরাং বিষ্ণুপুর অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদ ক্বার্টরশিংদসু চৎতুনা হৌজিক চত্থরিবা সিক্যুরিটিগী ওপরেশন য়াওনা আই দি পিশিংবু খুন্দা লৈতাহনবগী থবক অমসুং লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমশিং রিভিয়ু তৌখ্রে।

খোঙচৎ অসিদা দি জি পিনা খূৎলায় পায়বা লমহেনবশিংদা অকনবা ৱার্নিং তৌরদুনা ওপরেশনগী থবক্তা পুলিস পর্সনেলশিংনা হেন্না মাঙজিল থাগদবনি। কনাগুম্বশিংনা খূৎলায় পায়দুনা লোবু মখূৎতা পায়শিন্নবা হোৎনরক্লবদি মখোয়গী মথক্তা অকনবা থবক ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# নন-লোকল ১না আর্মিগী বৃগেদিয়র ১গী গাড়ী শারগা কানি পুরম্লে

**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** অসামগী টিনসুকিয়া মার্ঘেরিতাগী হিজুগুরি গাওনদগী নন-লোকল অমনা আর্মিগী বৃগেদিয়র অমনা শীজিন্নবা ফ্লেগ পোষ্ট অমসুং ষ্টারনচিংবা হাপচিন্দুনা শেমজিন-শাজিল্লবা কার (ইন্নোভা) অমদা কানি পুরম্বদগী কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফাগৎখ্রে।



থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৯ লোম তারকপদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী টি খুল্লেন পোষ্টতা থোকখিবনি। পোষ্ট অসিদা মহৌশাগুম্না ৭৮-সী আর পি এফকী দি-কম্পনি, ১০৯-সী আর পি এফকী বি-কম্পনিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬






## এফ এন সী সীগী ৱার্নিং

**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস):** কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা চত্থরকপা মথোং হুক্তবা থবক্কী মায়োক্তা ফুটহিলস নাগা কোওর্দিনেশন কম্মিটিনা ইকনমিক ব্লোকেদ অমসুং নন-কোওপরেশনগী চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংদা লন্নাই মীওই খরনা মসিবু থুগায়দুনা তঙাইফদবা পোৎলমশিং সপ্লাই তৌবগী রিপোর্টশিং ফংলে হায়রি। থৌওং অসি নাগা ফুরুপ্পা অমত্তা ওইনা লেপ্লিবা খোঙফম অমসুং ফুরুপ অসিগী অপাম্বগী মায়োক্তনি হায়রদুনা নাগা বোদিশিংনা লৌখিবা ৱারেপকী ৱাংমদা কনাগুম্বনা থবক চত্থরক্লবদি মসিগী তেকচাক মশানা পুজগদবনি অমসুং অসিগুম্বা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা দিসিপ্লিনরি এক্সনশিং লৌখৎলগনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# থাঙ্গাল কৈথেলগী 'মুজি লেন'বু পার্কিং ওন্থোরকপনা চৎথোক-চৎশিন্দা খম থেংনা খুদোং চাহন্দ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী ইম্ফাল সিটিগী মী খ্বাইদগী য়াম্না তিনবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী শরুক অমা ওইরিবা থাঙ্গাল কৈথেলগী 'মুজি লেন'দা চকা মরি পানবদগী হৌরদুনা মখল কয়াগী অচৌবা গাড়ীশিংনা লেন অসিগী নাক-য়েৎতা খন্থ্রাংননা খামজিন্দুনা পার্কিং ওন্থোরকপনা অখুবা লম্বী অসিবু ফাওদুনা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীয়ামদা খম থেংনা খুদোং চাহন্দ্রে।

মুজি লেনদা তঙাইফদবা থবক-থৌরমশিংগীদমক চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীয়াম মরক্তগী খরনা লেন অসি হৌজিক্তি গাড়ী পার্কিং ওন্থোরক্লবনিনা মহৌশাগুম্না অথু-অকায়গী য়াওনা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোং চাহন্দ্রে হায়না ফোঙদোক্লরকপদগী ঙসি নুংথিল পুং ২ খরা হেল্লকপদা পাউচে অসিনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসিমক লেন অসিদা চপ চানা থোক্লমখি। মেজর খুলগী মনীং থংবা শরুক্তা লৈরিবা মুজি লেন অসিদা পুং ২৪ চূপ্পা চকা মরি পানবদগী হৌরগা মখল কয়াগী গাড়ীশিং খামজিন্দুনা থম্নরকপনা লম্বী অসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা নাক-



য়েৎতা খন্থ্রাংননা পার্ক তৌশিনবা গাড়ীশিং থৈদোক-থৈজিন তৌদুনা চৎনবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্নরমখি।

মুজি লেন অসি মখা তানা পার্কিং ওন্থোক্লবদি মী লৈনবা য়ুম য়াওনা দুকান ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# লাঞ্জেন্নরিবা নাগা মীচম ১৫০ রোমগী চান-থক্নবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস) :** কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মখান খুলদা লাঞ্জেল্লক্তুনা চঙজফম লৌরক্লিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা কোন্সাখুলদগী য়াওনা নাগাগী খুল খরদগী আই দি পি ১৫০ রোমগী নোংমদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং নেটিভ পিপলস কম্মিটি মণিপুর (এন পি সী এম) না তেংবাঙখিবগা লোয়ননা লাঞ্জেন্নরিবশিং য়াওনা মখানগী খুঞ্জাশিংবু লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখ্রে।

ঙসি তেংবাঙ পীখিবা অমসুং হেল্থ কেম্প পাঙথোকখিবগী মতাংদা কম্মিটি অসিগী কনভিনর অসাং কসারনা হায়, ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# জোব কার্দকী থবক শুবিরীবশিংনা উ-ৱা য়ান্থৎপীগনু হায়না আপীল তৌরক্লি

**ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচএনএস):** ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খুঙ্গংগী মীয়ামদা শেল ফংবা থবক পীনবগী পান্দমদা হৌদোকখিবদগী মণিপুরদসু চৎনরক্লিবা এমজিনরেগাগী মখাদা জোব কার্দ পায়বশিংনা মথৌ তাবা থবকশিং চত্থরকপদা য়ারিবমখৈ তুরেল অমসুং মীয়াম্না চৎনরিবা লম্বী মপান্দা হৌবা উ-ৱা মরু ওইনা মহৈ চাবা য়াবা হৈ-রাগী পাম্বীশিং য়ান্থৎপীগনু হায়না আপীল তৌনরক্লি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ইম্ফাল ইষ্টকী মোইরাংকম্পু জি পিগী ৱার্দ নম্বর থ্রীগী মোইরাংকম্পু মখা লৈকায়দা লৈবা মোইরাংথেম ব্রোজেন কৌবা মণিপুর লৈঙাক্কী থবক্তগী পোথারবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬



জুন ৫,২০২৬তা 'ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দে'গী থৌরম পাঙথোকখিবা নুমিৎ ৪নি শুরকপদা য়ান্থৎপীরম্লবা বোরোই পাম্বী অমা